চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ সনালৈবাক

www.sanaleibak.in

ঙসিগী অঙৌং-অশা — শাবগী চাং ঃ ৩৯° সি, ঈংবগী চাং ঃ ১৮° সি | নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ঃ ২৯ | নোংজুগী চাং : ১ এম এম

IMPHAL,THURSDAY, 31 MARCH 2016
শগোলশেল, লমতাগী ২৩ নি পানবা

e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 | Volumn No: 42 Issue: 123 Page : 8 | Price: 3.00



HOLY SONY SPL.
SONY 55" W800C
₹ 1,54,900/-
₹ 1,24,900/-
PICTURE QUALITY
X-REALITY PRO | 3D
PROCESSOR X1™ | 800 XR MOTIONFLOW
SONY'S ANDROID TV™
VOICE SEARCH | GOOGLE CAST
GOOGLE PLAY | GAMES GOOGLE PLAY
SOUND QUALITY
BASS REFLEX SPEAKER | CLEAR AUDIO+
SONY HOUSE. PAONA BZ. IMP.
SARAJEEVAN ENTERPRISES. PAONA BZ. IMP.



LAST DAY 31ST MAR.
TATA SKY FREE
LED 40HH = ₹ 28500/-
LED 32' (3 YRS) = ₹ 18000
3 YRS WARRANTY
22" FULL HD TV = ₹ 11000
24" FULL HD TV = ₹ 12000
32"+ SAMSUNG DVD = ₹ 19500
WASHING MACHINE SPL DISCOUNT
6KG ₹ 8250 = ₹ 7600
7.2KG ₹ 9950 = ₹ 8500
7.3KG ₹ 11650 = ₹ 9500
7.5KG ₹ 11990 = ₹ 10200
150LT REFRIG: = ₹ 8500
170LT REFRIG: = ₹ 10000
190LT REFRIG: = ₹ 10500
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.




ঙসি নোনেদা পাঙথোকখিবা বি জে পি নুংবা মন্দলগী ওফিস হাংদোকপা অমসুং মহাকপু ওকপগী থৌরমদা টি ঐচ চাউবনা ফিরাল চীংখৎপা

মণিপুর হায় কোর্ট হাংদোকখিবগী অহুমশুবা মপোক কুমওন থৌরম চীংমৈরোংদা লৈবা কোর্ট অসিগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা



## ব্রাখলগী চিঙ্গাক

লাইবক ফবা হায়বসি হোৎনবনা খুদোংচাবা থেংনরুবদুনি

## রেপিষ্টনি হায়বা মীওই অমা মীয়াম্না হাৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ঃ ঙরাং নুমিদাং পুং ৬ রোম তাবা মতমদা রেপিষ্টনি হায়বা মীওই অমা মীয়াম্না ফারবা মতুংদা ফুরগা হাৎখ্রে হায়রি।

তাবদা তুজুংবা পোল্লবা থৌদোক অসি চুড়াচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনদগী...মখা লমায় ৫ দা

# কংগ্রেস পার্টি খাঙেনফম য়ৌরে, প্রজাশিংনা কংগ্রেসকী ব্রাখল থাদোকপীরোঃ বি জে পি

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ ঃ ইন্দিয়াদদা নত্তনা মণিপুরদসু কংগ্রেস পার্টি শোম্বরে। পার্টি অসি হৌজিক খাঙেনফম য়ৌরে। প্রজাশিংনা কংগ্রেসকা চৎমিন্নবগী ব্রাখল্লোন থাদোকপীদুনা বি জে পিগা চৎমিন্নরসি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ চাউবনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নোনেদা পাঙথোকখিবা বি জে পি নুংবা মন্দলগী ওফিস হাংদোকপা অমসুং মহাকপু ওকপগী থৌরমদা টি ঐচ চাউবনা হায়, কংগ্রেস পার্টিগী মনুংগী লান্দা হৌজিক পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট শিন্দোকখ্রে। চহি ১৫ সাসন পায়রম্বা কংগ্রেস পার্টি হৌজিক ফিভম লুরক্লে।

কংগ্রেস এম এল এশিংনা পার্ফোমেন্স ফজদবা মিনিষ্টরশিং লৌথোক্নবা দাবি তৌরি। কংগ্রেস পার্টি শেল চাবদা হালেংবা লৈত্রবা পার্টি অমা ওইরে। সিফাই হাপ্পদা লৌ অরৈবা মখৈ য়োন্নরে। অফবা নহা কয়া থবক লৈনবা শেল লৈতবনা নিংবা কায়নরে।

অসামগী লাক্কদৌরিবা মীখলদা কংগ্রেস পার্টি অসি সিট ১২৬কী মনুংদা ৩৫দগী হেন্না কানিঙাই লৈত্রে হায়রি। মসি য়েংলগা মণিপুরদা লাক্কদৌরিবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখল অসিদা বি জে পিনা শোয়দনমক্কী সাসন পায়বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। হৌজিক চত্থরিবা কংগ্রেস মনুংগী ইরাং অসিদা কংগ্রেস এম এল এ খরনা মিনিষ্টর ৫। ৬ দ্রোপ তৌনবা হায়রিবা অসিনা পার্টি অসি হেন্না মপাঙ্গল শোম্বরক্লগনি।

কংগ্রেস অমসুং করপসন হায়বসি শেল ময়েক অমগী মমায় অনিগা ...মখা লমায় ৫ দা

# মোরেদা খুন্দামিন্নরিবা কম্যুনিটি অনী চাউনা উংখৎনখ্রে ইরাং লাকশিন্নবা পুলিসনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ ঃ বোর্দর টাউন্দ ওইরিবা মোরেদা খুন্দামিন্নরিবা কম্যুনিটি অনীগী মরক্তা ঙরাং নুমিদাং চাওনা উংখৎনখ্রে। ইরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা মশিং য়াম্লবা নোংমৈ রাউন্দ কয়া ব্লেঙ্ক ফয়ার তৌখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফঙবা পাউনা হায়, ঙরাং নুমিদাং য়াওশঙ কুক্ষেগা মরী লৈননা মোরে বজার হৈনৌ মখোংদা থাবল চোংবগী থৌরম পাঙথোকখি। মতম অদুদা মোরে বজারবু লু নান্না থম্নবগীদমক মহৌশাগুম মীতে নুপী খরনা ব্রাই শিংশেংবগী থবক চত্থদুনা লৈরিঙৈদা অতোপ্পা কম্যুনিটিগী নহা খরনা ব্রাই শিংপা অদুনা উফুল হৌহল্লে হায়না ঙাং শকপগা লোয়ননা ব্রাই শিংলিবী নুপী অমগী মথুনদা খোঙপাক্লা কাওদুনা ফুবদগী ইরাং অদু হৌরকখিবনি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, ব্রাই শিংপী নুপীদা খোঙপাক্লা কাওদুনা ফুরম্বগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা খুদক্তা নুপীশিং অদুনা ইলেক্ট্রিক পোসতা কাংশি খিংদুনা মীয়াম কৌথোক্কুনা চেন্নরিবা নহাশিং অদুবু ফাননবা হোৎনখি। মীয়াম থোরকপদগী নহাশিং অদু মফম অদুদগী চেনখ্রগা মনাক নকপদা লৈবা য়ুম অমদা চেনশিনখি হায়রি। মীয়াম অদুনা ...মখা লমায় ৫ দা

## শর্মিলা কোর্টনা থাদোকখ্রে কোর্টকী থম্লকপা কন্দিসনশিং সহি তৌখিদ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ ঃ মণিপুরদগী আর্মর্দ ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার্স এক্ট, ১৯৫৮ লৌথোকখিনবা দাবি তৌরদুনা খোঙজং চংশিল্লিবা ইরোম চনু শর্মিলাগী মথক্তা চত্থরকখিবা কেস ঙসি অরোইবা হিয়ারিং চত্থরবা মতুংদা মহাকপু কোর্টনা থাদোকখ্রে। মহাক থাদোকপা মতমদা কোর্টনা থম্লকখিবা কন্দিসন অনি শর্মিলানা ঙমদুনা সাইন তৌখিদ্রে। হয়েং ইম্ফালদা হল্লক্লগনি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ তাবা মতমদা শর্মিলা পার্টিয়ালা হাউস কোর্টতা এপিয়ার তৌদুনা মহাক্কী মথক্তা দিল্লি পুলিসনা থারকখিবা কেস অদুগী অরোইবা হিয়ারিংদা শরুক য়াখি।

দিল্লিদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না ঙসি পাটিয়ালা হাউস কোর্টকী জজ হর্বন্দর সিংহগী কোর্টতা শর্মিলা ...মখা লমায় ৫ দা

## মহৈরোইশিংগী একাদেমিক কেরিয়র মাংহল্লবদি স্কুল থিংজিনগনি ঃ অঙৌতোন খুমন

এসএনএস

ইম্ফাল ফেব্রুৱারি, ৩০ ঃ এম এম হায়র সেকেন্দরি স্কুল ওথোরিটিনা মহৈরোইশিংগী একাদেমিক কেরিয়র মাংহল্লবদি স্কুল অসি মতম চুপ্পগী থিংজিনগনি হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্স এসোসিয়েসন ( কে এস এ)গী ঐচ আর দি সেক্রেটরি অঙৌতোন খুমননা ফোঙদোকখ্রে।

টিদিম লম্বীদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, এম এম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হৌজিক হৌজিক সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন ( সি বি এস ই)গী ক্লস টেনগী পরিক্ষা চত্থরিবা অসি এদমিট কার্দ পায়দবা মহৈরোই কয়া পরিক্ষা থাহনল্লগা লৈরম্লে। অপুনবা মহৈরোই ৮০০ পরিক্ষা থারি হায়রগা স্কুল অসিদদি মহৈরোই ১৫০রোমতমক পরিক্ষা থাদুনা লৈরম্বা থেংনখি। মশাগী হোল নম্বর কয়ানো হায়বা খঙদ্রবসু পরিক্ষা থাবা য়াহল্লিবসি করিগীনো হায়বদা অঙকপা ফাওই।

...মখা লমায় ৫ দা

## মৌ নহা অমা মাঙখিবগী মায়োক্তা ইরাং হৌরকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোল পুলিসকী মনুংচনবা ওইনাম বজারদা লৈবী লুহোংবা কুইদ্রিবী মৌ নহা অমা ঙসি অয়ুক ময়ুমদগী থোকখিবদগী মফম খঙদনা মাঙখ্রে।

মফম খঙদনা মাঙখ্রবী মৌ নহা অদুগী মপামগী মীশিং য়াম্লবা মীয়াম থোমজিল্লক্তুনা নুপা ময়ুমগী য়ুমদা এটেক্ট তৌনবা হোৎনখ্রে। অদুবু পুলিসনা ঙাক শেন্দুনা লৈরম্বদগী থোইদোকপা অমাং-অতা থোকখিদ্রে। মফম খঙদনা মাঙখ্রবী মৌ নহা অদুগী মমীং বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর-৬ তা লৈবী থৌনাওজম নিংঙোল তখেল্লম্বম ওংবী চাওবা এলাইজ অঞ্জু মপুরোইবা বিজয় কৌই হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফঙবা পাউদা মফক খঙদনা মাঙখ্রবী অঞ্জু এলাইজ চাওবা অসি মহাক্কী মপুরোইবা বিজয়গী য়ুম ওইনাম বজারদগী ঙসি অয়ুক অঙনবদা ময়ুমদগী থোকখিবদগী মফম খঙদনা মাঙখিবনি।

অঞ্জু মহাক্কী মপুরোইবা বিজয়গা চহী অসিগী জনুৱারি ২৮ দা চেল্লবা মতুং থা অদুগী ৩০ দা লুহোংখিবনি। মহাক্কী মপুরোইবা বিজয় সি আই এস এফতা থবক তৌদুনা হৌজিক ধেরাদুনদা পোষ্টিং তারিবনি।...মখা লমায় ৫ দা

## উৎলৌদা বোম পোকখায়খ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ ঃ ঙরাং নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোল পুলিসকী মনুংচনবা উৎলৌ ময়াই লৈকাইদা লৈবা য়ুনাইযেদ সোসিয়েল দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী শঙ ময়াদা শকখঙদবশিংনা চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা পোকখায়হনখ্রে।

বোম পোকখায়বা অদুদা মীওই অমত্তা অশোক-অপন য়াওখিদে। বোম পোকখায়বা মতম অদু মফম অদুদা লৈকাইগী য়াওশঙ স্পোর্টস লোইবগী ত্রিব লাইট অহুম লোম থাল্লগা অঙাংশিংনা থাবল চোংবা লোইরবা মতুংদা পোকখায়খিবনি। পোকখায়রিবা মফম অদু হৌজিক বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা থৌনাওজম চাওবাগী য়ুমগী থোঙ্গাল চঙফমগী ময়াসু ওই হায়রি।

## লিল্লোং এআর মমাঙদা বোম পোকখায়খ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিলোংদা লৈবা ৪০ শুবা অসাম রাইফলস (এআর) পোষ্ট মমাঙদা ঙসি নুমিদাং পুং ৮.৪০ রোম তাবদা শক্তি লৈরবা ইম্প্রুভাইস এক্সপ্লোসিব দিভাইস (আইইদি) বোম অমা পোকখায়খ্রে।

থৌদোক অদুদা মীওই অমত্তা অশোক-অপন নঙখিদে। বোম পোকখায়খ্রবা মতুং অসাম রাইফলসকী লান্মীশিংনা মফম অদুগী অকোয়বদা থি-হুস্কী থবক চত্থখ্রে। অদুম ওইনমক মীফা-মীপুনগী পাউদি ফংবা ঙমদ্রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৫

## লোইরেদনা

সরকারগী শেল থুমগী ফিভম শাথিনা শোক্লমাল্লে খুরা



সরকারদি ৱাবা মান্দেবো, হৃদক য়াওশঙগী পৈশাদি ফজনা হাপ্পরকই। তৌবুদি প্রজাবুদি ফর ফর হায়রমাল্লে..

## হেক্তা হায়জিনবা

গো গো খোংই হঙোইনা
নোংজু থা লাকপদা
ওইদ পাদা ঙাংনৈ
ভোট ময়া নকশিল্লকপদা
হঙোই ময়াম্না খোংবদা
তানিংদবনা খাঙবা ঙম্নদে
ওইদ পাদা ঙাংনবা
তানিংবা য়াওদে কনানসু
হঙোইনা খঙদে মাবু তানিংদে হায়বা
ভোট লেপনিংবশিংদি খঙই
মখোয়না খল্লি মীয়াম পঙই
মীয়াম্না খল্লি মখোয়সি খদ্রক্লি।


কোট তৌবীয়ু অদোমগী পান

হন্দক্কী অসিনা অরোইবা অমসুং পুল্লোই লোইবা ৱাফম্নি!



ঙসি হায়বদি
মার্চ ৩১, ২০১৬

অসি এডভান্স টেক্স থিনবগী অমসুং ইনকম টেক্স রিটর্ন #ফাইল তৌনবগী অরোইবা নুমিৎনি
ফাইল তৌদবা মীওই ৫৮,৯৫,৮৩০০ ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা মশক খঙদোক্লে।
#মখোয়শিং অদু এসেসমেন্ট ইয়ার ২০১৪-১৫ দা অচৌবা চাংদা শেল থুম কায়থোক-কায়শিন তৌখিবশিংনি
# নন-ফাইলরস মোনিটরিং সিষ্টেম (এন এম এস)কী মখাদা মোনিটর তৌরকপগী মতুংইন্না টেক্স থিফম থোকপা অমদি থিদ্রিবা মীওইশিংগী শেনফম কয়ানো হায়বদু মুন্না খঙদোক্লে

#করিগুম্বা ফাইল তৌদবা তারগদি অদোমগী ২০১৪-১৫ অমসুং ২০১৫-১৬গী থিফম থোকপা ইনকম টেক্সকী রিটর্নশিং মার্চ ৩১, ২০১৬ ফাওবদা ফাইল তৌগদবনি হায়বসি নিংশিংবিয়ু

মার্চ ২০১৬ ফাওবগী মনুংদা থিদোকহৌদবা তারগদি অদোমগী এসেসমেন্ট ইয়ার ২০১৬-১৭গী এডভান্স টেক্স থীদোকপা কাওবীগনু

চংবীয়ু www.incometaxindia.gov.in দা ওঠোরাইজ তৌরবা বেঙ্ককী মশাশিং চলান ফোর্মশিং ই-পেমেন্টকী চলানগী ষ্টে-টস খঙননবা

ই-ফাইলিং পোর্টেলগীদমক চংবীয়ু https://incometaxindiaefiling.gov.in দা অদোমগী টেক্স রিটর্ন ফাইল তৌনবগীদমক

davp 15401/13/0104/1516

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট
www.incometaxindia.gov.in
@IncomeTaxIndia